# ইনাক খুন্নবগী ফোর্মুলা

## (অনীশুবা পন্দুপ : Entrepreneur & Entrepreneurship)

— ডা. খুন্দ্রাকপম দেবানন্দা —
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর, দিপার্টমেন্ট ওফ মেনেজমেন্ট
নোর্থ-ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি, তুরা কেম্পস, তুরা, মেঘালয়া
Email: devananda.singh@yahoo.com

ময়াম্বু খুরুমজরি। মমাঙগী চেফোঙদা ঐখোয়না ওইথোকপা য়াবা শিনফম করম্না থিগদগে হায়বগী মতাংদা পঞ্জখ্রে। মখা তানা পাবা নুংঙাইনবগীদমক্তা তেন্তক্লা ওইথোকপা য়াবা শিনফম থিবগী মওংশিংদু অমুক হন্না পঞ্জরি।

১) SWOC Analysis
২) কৈথেল অমদি পোত্থোকশিংগী লৌশিং
৩) কষ্টমর ওইরক্কদবা মীওইশিংগী ৱাখল্লোন অমদি অপাম্বা
৪) ইশাগী এক্সপরিএন্স অমদি হৈজবী
৫) অখঙ অহৈশিংগা তানবা
৬) কৈথেলদা হোংলক্লিবা ফীভমগী মতুংইন্না শিনফম থিবা
৭) পোৎ অমগী মহুৎ শিনবা য়াবা পোৎ পুথোকপা
৮) কৈথেলদা সর্ভে অমদি রিসর্ছ তৌদুনা শিনফম থিবা অসিনচিংবশিংসিনি।

মথক্কী পাম্বৈশিংসি শীজিন্নরগা নৎত্রগা পাম্বৈ অমা শীজিন্নরগা কনাগুম্বা মীওই অমনা শিনফম অমা ফংলে হায়না খল্লসি। মতাংসি মীওইদুগী য়াম্না নুংঙাইবা অমদি লাংতক্নবা তাঞ্জানি। মরমদি মহাক করিগুম্বা অনৌবা থবক অমা শেন্দোং ফংননবা অমদি মহাক্কী পুন্সিদা অহোংবা অমা পুরক্নবা হোৎনগদৌরিবনি। মতাংসিদা মহাকপু মোটিভেসন তৌবিবা মথৌ তাই। অদুবু লাইবক থীবদি ঐখোয়গী খুন্নাইদা মোটিভেট তৌবীনবা মীশিংদগী দিমোটিভেট তৌবীনবা মীশিংনা য়াম্না হেল্লি। মসি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগী মরক্তসু অদুম থোকপা য়াই। খুদম অমতং ৱারীমচা অমগা লোয়ননা পঞ্জগে।

ইবোচৌবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী এম এস সী ফিজিক্স লোইবা চহী ফাজিল্লক্লে। এন ঈ টি/জে আর এফ এগজামিনেসন অনীরক য়াওরুরে অদুবু মায় পাক্তে। মহাক্কী ইমুং মনুং কয়া শেল পায়বা ওইদে, মনাওনুপা অমখক আর্মিদা জি দিগী পোষ্টতা থবক তৌই। মাগী তোলোপনা ইমুং মনুং চলাইরি। ইমুংদুদা পূন্না মী তরুক চাই। ইবোচৌবা খনবা য়াবা খল্লবা মতুংদা লৈকায়গী অঙাং খরা ট্যুসন তৌবা হৌরসিরা হায়বগী ৱাখল অমা লাক্লে।

মতাংসিদা ঐগী ৱাখল্লোন খরা থমজগে। অঙাংশিং ট্যুসন তৌবীবা হায়বসি য়াম্না ফবা অমদি কান্নবা থবকনি। কান্নবশিংদুদি স্কুল অমদি কোলেজদা তাকপীদবদগী নৎত্রগা এবসেন্ট ওইবদগী নৎত্রগা খঙউ য়াদবদগী "খঙহৌদবশিংদু" ট্যুসনদগী খঙবা ঙমই, ওজা ওইরিবা মীওইদু তাকথোক্লবা হোৎনবদা লাইরিক পাদবা য়াদে অদুনা খঙবা হেনগৎলকই, অতাকমল ওইনা শেল ফংই। মসিদা ওজাসু, মহৈরোয়সু ইতোংদা তোংজৈ, অমাঙবা অমত্তা লৈতে। লোয়ননা খুন্নাইদুদা লাইরিক লাইশু হৈবা মহৈরোয় মশীং য়ামখৎলক্লবদি, খুন্নাই অদু চাওখৎপদা মতেং চাউনা পাংই। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা য়েংলুরবদি অমাঙবা খরসু অদুম উজে। খুদম ওইনা অহিং হৌগৎতুনা ট্যুসন চৎপা, স্কুলগী ক্লাসতগী ট্যুসন্না হেন্না লুনা লৌনরকপা, ট্যুসন ফী চাউনা লৌবা অমদি মহৈরোয় মশীং য়াম্না য়াম্মনবা, ট্যুসন চৎমনবদগী মহৈরোয়দু চাফম-থকফম, পোত্থাফম অমদি লাইরিক পানবা মতম লৈরক্তবা অসিনচিংবনি।

হৌজিক ইবোচৌবগী ৱাখল্লোন অমুক নৈনরসি। ইবোচৌবনা অসুম্না খঞ্জরম্বসু য়াই।

১) ঐ এম এস সী ফিজিক্স, ফর্ষ্ট ক্লাসনি। ক্লাস ফাইভতগী সিক্স ফাওবা ট্যুসন তৌবসিবু ঈজৎ মাঙলদ্রা? (Self-demotivation)

২) ক্লাস এলেভেন-ত্বেলভকী মহৈরোয় লাক্লগদি ঐবু তাকপা ঙমগদ্রা?

[ইবোচৌবা এম এস সী ফিজিক্স, ফর্ষ্ট ক্লাসনি, ক্লাস এলেভেন-ত্বেলভকী ফিজিক্স তাকপা ঙমদ্রগদি করম্না এম এস সী লোইরকপনো? (Self-demotivation)]

৩) মহৈরোয় লাক্কদ্রনে, ট্যুসন তৌবা? (SWOC Analysis পানবা য়াই)

৪) ক্লাস মান্নদবা মহৈরোয় লাক্লগদি কমদৌবা? (Time Management পনবা য়াই)

৫) ফী পীরমদ্রগদি ঐ করি তৌগনি? (হৌজিক এদভান্স লোইনা লৌনরে)

৬) দেস্ক-বেঞ্চসু লৈতে, অদুনা কদাইদগী শেলনা? (???) অসিনচিংবা...

মতাংসিদা ইমুং মনুংগী মীওইশিং নৎত্রগা মাগী মরুপ মপাংশিংগী সপোর্ট য়াম্না মথৌ তাই। নৎত্রগদি ইবোচৌবগী ৱাখল হনখিদুনা অদুম তোক্কনি। মসি য়াম্না তোয়না থোকপা থৌওংনি। মসি ঐনা পীজরিবা খুদম 'ট্যুসন সেন্টর' খক্কী ৱা নত্তে। শিনফম অয়াম্বদা তাঞ্জাসিদা থোক্কল্লি। মরম অসিনা মমাঙগী চেফোঙশিংদা ইজখিবা entrepreneur অমা ওইনবা হোৎনবদা চঙবা গুনশিংগী মরু ওইবশিংদু মতাংসিদা লাকই। ইবোচৌবগী ৱাহং ৬ (মথক্তা পঞ্জখ্রিবা) সিগী মনুংদা ৬শুবা ৱাহংগী পাউখুম পীজগে। হৌগৎলকপদদি মহৈরোয় য়াম্না লাক্লোই, য়াল্লবদা ১৫ লাক্লে হায়না খল্লসি। অদুদি দেস্ক-বেঞ্চ জুরা ৩দং লৈরগা লোইরে। হৌজিক্কী মার্কেট রেটতা লুপা ১০,০০০ মুক লৈরগদি দেস্ক-বেঞ্চ জুরা ৩ অসি লায়না চনবা য়াগনি। শেল অসি ইবোচৌবদা লৈত্রিবা করিগীনো? তশেংনা লৈত্রগদি ইবোচৌবগী ইমুংদা শেল লাক্লরোইদবা এসেটশিং হায়বদি মোবাইল ফোন, ৱাশিং মেছিন্নচিংবা অমদি সনা শানবা শেলদি লৈব্রা? লৈরগনা করম্না লৈরক্লিবা? ময়ামসি ইমুং মনুংদা লৈরিবা মীওইশিংনা নৈনবা তঙাইফদে।

পাবিরিবশিংনা খনবীরম্বসু য়াই, ঙসিদি অইবসি ৱাকোই খরা শুইদা! অদুবু মুন্না খন্থরুরবদি মসি ৱাকোই নত্তে, ৱা মকোকনি। Entrepreneur ওইগদৌরিবা মীওইদুনা অসুম্না খন্দ্রবদি কৈদৌনুংদা মায় পাক্লোই। হায়নবা লৈ 'পিক্লবা ঈশিং মরীক মরীকনা অচৌবা ঈপাক ওইরকই'।

মখা তারকপদা ইবোচৌবগী ট্যুসন তৌনীংবগী ৱাখল্লোনসি Financially feasible ওইব্রা হায়বদু মখাদা থমজগে।

Financial Feasibility Analysis of Ibochouba Tuition Centre

শেল লাকফম — শেল চৎফম

| SL. No. | কদাইদগী লাকপা | শেল মশীং | SL. No. | কদাইদা চৎপা | শেল মশীং |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Admission Fee @ 100 x 15 students | Rs. 1500 | 1. | Desk-Bench @ Rs. 3300 per pair X 3 pairs | Rs. 9,900 |
| 2. | Tuition Fee @ Rs. 700 pm x 15 Students | Rs.10,500 | 2. | Electricity Bill for the Tuition Room | Rs. 300 |
| | | | 3. | Free Note-book to Students @ Rs. 100x15 studens | Rs. 1500 |
| | | | 4. | Others | Rs. 300 |
| | Total | Rs. 12,000 | | Total | Rs. 12,000 |

হৌজিক মথক্কী টেবলসি নৈনরসি। ইজরিবা শেলশিংসি ৱাখলনা শাবা ঙাক্তনি। মার্কেট রেটকী মতুংইন্না হেনগৎলকপা অমসুং হন্থরকপসু য়াই। মথক্কী টেবলসিদগী খঙলে মদুদি ট্যুসনগী অহানবা থাদা লুপা ১২,০০০ লাকই অদুগা চপ মান্ননা লুপা ১২,০০০ চৎলি। মসিবু বিজিনেসকী লোন্দা Break Even হায়বদি তোঙসু তোঙদবা, মাঙসু মাঙদবা কৌই। অনীশুবা থাদদি দেস্ক-বেঞ্চ অমুক হন্না চল্লরোই অদুনা লুপা ৯,৯০০সি শেন্দোং ওইরগনি। মীয়াম খঙনরক্তুনা মহৈরোয় মশীং হেনগৎলকপসু য়াই, অদুদি অমুক দেস্ক-বেঞ্চ মথৌ তাই। য়েৎলোমদা (সেরিএল নম্বর ৩) দা Free Note Book পীজরিবসি Advertisement মখল অমনি। ফজনা তাকপীবগী মথক্তা, অসুম্না তৌবীরবদি মহৈরোয় য়াম্না লাক্লবগী মরম ওইগনি। মখা তারকপা থাশিংদদি ট্যুসন সেন্টর অসি শেন্দোং লৈবা অমদি খুন্নাইদা কান্নবা পীবা অমা ওইগনি।

অসুম্না ইশানা পাল্লিবা অমদি নাচঙননা খল্লবা শিনফম অমা পায়বদা মওং মরীল নাইনা পাঙথোক্লবদি মায় শোয়দনা পাক্কনি। নীংহন্নবীগনু, পূন্না হোৎনমিন্নসি। অদোম্না আর্টিকল অসি পাবদা খরা কান্নে খনবীরবদি অদোমগী মরুপ মপাংশিংদা স্যের তৌবীয়ু। হেন্না তাননীংবীরবদি ফোন নম্বরগা লোয়ননা মেল থাবীরকউ। ময়ামবু অমুক হন্না খুরুমজরি। ●

# ইপিজিনেটিক্স : জিন ওন-ওফ

ডো. লৈমপোকপম টিকেন্দ্র

DNA (deoxyribonucleic acid) হায়বা অসি ঐখোয়গী নুংতিগী পুন্সি মহিংদা তত্তনা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ অমনি। ঐখোয়গী হকচাংদা য়াওরিবা সেলশিংগী দি এন এ অসি মান্নৈ। শমদা, উনশাদা, হকচাংদা য়াওরিবা দি এন এশিং অসি থিজিল্লুরবদি চপ মান্নবা ওই। হংবা য়াই মদুদি, চপ মান্নবা দি এন এ, জিনেটিক মেটরিএল অসিনা শেমগৎলকপা ওইরগদি মতৌ করম্না হকচাংগী কয়াৎ হায়বদি মায়, মীৎ, থম্মোয়নচিংবশিংগী মশক অমসুং মথৌ খেননা ওইরক্লিবনো। মতাং অসিদনি ঐখোয়না ইপিজিনেটিক্স (epigenetics) খঙবা মথৌ তারিবা।

ইপিজিনেটিক্স হায়বদি দি এন এ সিক্বেন্স হোংহন্দনা দি এন এদা অহোংবা পুরকপদুবু খঙনৈ। অমরোমদা হায়রগনা দি এন এবু শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌরগা শীজিন্নফম চানা থম্বা হায়বদুনি। ঐখোয়গী দি এন এ অসি মচল শুনা য়াওরবা পোৎলম অমনি হায়না খনবা য়াই। মসিদা ঐখোয়না মথৌগী মতুংইন্না সিক্বেন্স মতেক অমা ওন/ওফ তৌবদুবু ইপিজিনেটিক্স হায়বনি। খুদম ওইনা, মীৎকী সেলশিংনা মীৎকী মরু ওইবা জিনেটিক মেটরিএল, দি এন এদা য়াওরিবা অদুতমক শীজিন্নৈ, মীৎকী মথৌদা থোইদোক্লা দরকার ওইদবা দি এন এশিংবুনা ওফ তৌদুনা থম্মি।

সাইন্টিষ্টশিংনা থিজিনবদগী খঙবা মতুংইন্না মীওইবগী জিনোমদা জিন ২০,৪০০ হেন্না য়াওরি। জিনশিং অসিদা কোড তৌদুনা য়াওরিবা মেসেজশিং অদু প্রোটিন ওইনা শেমদুনা ফোঙদোকচৈ। শেমগৎকদৌরিবা প্রোটিনশিং অসি মরু ওই অদুবু খুদিংমক মতম অমত্তদা মথৌ তৌবদি নত্তে। সেলশিংদসু মতম অমখক্তংদা প্রোতিন খুদিংমক শেম্নগা শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবসু অৱাবা অমা ওই। মসিনা মরম ওইরগা সেল অমগী মনুংদা মতম অমদা প্রোটিন খরখক্তং শেম্মী। মসিনা তাকপদি সেল অমগী মনুংদা মতম অমদা জিন্স খরা খক্তং এক্টিভ ওই হায়বসিনি। এক্টিভ ওইনা লৈরিবা জিন্সশিংদুনা সেল অদুনা তৌবা ঙম্বা/তৌগদবশিং অদু তাকই। জিন খরদি হকচাংগী কয়াৎ অমা নৎত্রগা সেল অমদগী হেন্না এক্টিভ ওইনা লৈবা মথৌ তাই, অতৈ জিন খরনা সেল অখন্নবদা এক্টিভ ওইনা লৈ।

সেল মনুংগী ন্যুক্লিয়সতা য়াওরিবা দি এন এশিং অসি হিষ্টোন প্রোটিন নিপালদা য়েৎতুনা ন্যুক্লিয়োজোম হায়না খঙনবা ষ্ট্রকচর অসি শেম্মী। দি এন এদা য়াওরিবা ৱারোলশিং অসি প্রোটিনশিংদা ওন্থোক্তুনা ফোঙদোক্লবগীদমক্তা সেল্যুলর মেছিন্নরিশিংনা য়েৎশিন্দুনা লৈরিবা ক্রোমাটিন অদুবু কোমথোকহন্দুনা পাবা মথৌ তাই। ক্রোমাটিন হাঙবা/কোমথোকহনবদা প্রোটিন কমপ্লেক্স কয়ামরুম চঙই। প্রোটিন কমপ্লেক্সশিং অসিগী মতেংনা হিষ্টোন অমসুং দি এন এগী মরী শোন্থহন্দুনা দি এন এশিং অসিবু সেল্যুলর প্রোসেস কয়ামরুমগী শীজিন্নবা য়াহল্লি।

ইপিজিনেটিক্সকী অহোংবা অসি শা-ঙা অমসুং পাম্বীশিং খক্তদা নত্তনা জিব খুদিংমক্তা থোকই। পাম্বীশিংনা অকোয়বগী ফীভমদগী নান্থোক্তুনা চৎপা ঙমদবনা মরম ওইরগা মহৌশাগী অহোংবা/খুদোংথিবা কয়াদগী হিংহৌনবগী লানফমদা ইপিজিনেটিক্সকী অহোংবা অসি চাং ৱাংনা থোকই। জিব অমগী ইপিজিনোম অসি চহী, অকোয়বগী ফীভম, পুন্সি মহিং অমসুং হকচাংগী ফীভমগীসু মখা য়াম্না পোল্লি। ইপিজিনেটিক্সকী অহোংবসি সেলশিংনা নীংশিংদুনা (memorise) তৌদুনা থম্মী, তুংগী সেলগী মীরোলদা 'মেমোরি' অদু শীন্নৈ। শা-ঙাশিংদা শুথাং অনী ফাওবা অদুগা পাম্বীশিংদনা খরগা হেন্না শাংথনা লৈ হায়না থাজনৈ। তৌবতবু থৱায় পানবা জিব অমগী ইপিজিনোম অসি ফ্লুইদিক (fluidic) ওই হায়বা য়াই - হায়বদি, ঙাইহাক লৈতনা হোংই।

অসুম তৌনা, অহোংবা ময়াম অমা দি এন এগী থাক্তা তাঞ্জা চানা থেংনরুবদগী সাইন্টিষ্ট ময়াম অমগী পূক্নিং চিংশিনখি, রিসর্ছকী পূমনৌ-নৌবা হীরম অমা ওইখি। ইপিজিনেটিক্স হায়বদি জিনেটিক্সকী মথক্তা হায়বনি, দি এন এ সিক্বেন্সতি হোংদনা জিন এক্টিভ/পেসিভ ওইবগী থৌওং অদুমকনি। ইপিজিনেটিক্স হায়বসি হীরম খুদিংমক্তা শীজিন্নফম লৈ। জিবশিংগী মরক্তা খেন্নবা, খেন্নবদু অকোয়বনা করম্বা মওংদা তৌহনবগে হায়বদু ইপিজিনেটিক্সনা তাক্লি। শকওং-শাদা, জিবগী লিচৎ-শাজৎতা মহৌশাগী/অকোয়বগী করম্বা থৌদাং য়াওরি, শুরোল অমদগী শুরোল অমদা করম্না অহোংবা-অওনবা পুরকই হায়বা পূম্নমক ইপিজিনেটিক্সনা তাকই। ইশাগী হকচাংগী কয়াৎ খেন্নবগী মরমসু ইপিজিনেটিক্সনা পীরি। ইপিজিনেটিক্সকী শীজিন্নফম; তৌবা য়াবা হীরম নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। মহৈ-মরোং অমসুং পোত্থোক্কী হীরমদা, প্লান্ট ব্রিদিং অমসুং কেন্সরদগী হেন্দোক্তুনা অনা-লায়েং ফাওবদা ইপিজিনেটিক্সনা খুমাঙ চাওশিল্লক্লি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## হায়না হায়না অদুমক য়াওরিবনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লমতা থাগী য়াওশঙদা থাবল চোংজগে খঞ্জরম্বা শাবী-শানৌশিংদা ফনা নিংথিজনা নীংজরম্বা আশা কাইদা! নীংজরম্বা আশা কায়হল্লিবসি কনাননো? খঙলবসু খঙনা করিদি তৌরুনি। পূম্নমক মতমগী খোঙলৈনা থোকহনবনি হায়বসি নত্তনা করিদি লৈরি। থেংদ্রিবমখৈ থাবল চোংদবগী হৈনবী পূম্নমক হন্দক্কী চহীসিদা ময়াই চমখিবা, মসিদা নুংঙাইতবা লমদমসিগী মীওই অমত্তা য়াওরমগনি থাজবা ৱাৎলবনি।

কোভিদকী অনীশুবা ৱেভ লাকপদগী কোভিদকী ইনফেক্সন্দগী চেকশিনবা অমসুং থিংহৌনবা হোৎনরকপা মসিদা ৱারৌ-পুকলৌ তৌগদবা কনাসু লৈরোই। লাইনা য়ারোই চেকশিন্নবা থল্লবসু নাকল অমরোমদা য়াওশঙগী স্পোর্টসতি অথিংবা থল্লে হায়রবসু অদুমক খরা মখৈদি তৌদবা য়াওদবা নত্তে। য়াওশঙগী স্পোর্টসকী মনুং চন্না য়াম্না ঙকপা অমনা অশাংবা লমজেল চেলহনবসিনি। অমুক্তসু লমজেল চেঞ্জদ্রিবা ইনখৎলক্লিবা নহারোল কয়া অমুক্তা প্রেক্টিস তৌদবা কয়া অমনা লমজেল চেনবসিমক্তি অফবনি হায়দৌরিব্রা নৎত্রগা ফত্তবনি হায়দৌরিব্রা? প্রেক্টিস য়াওদনা য়াওশঙ স্পোর্টসকী অশাংবা লমজেল য়াওবা হায়বসি হকচাং শোকনীংঙাইগী মরম ওইদৌরিবনি। মসিমদি মমা পূক্নুংদগী অমুক্তসু লমশাং চেল্লক্তবা কয়াদি য়েংবা নুংঙাইবা হায়বা অদুমদি ওইদ্রবনি। অতৈ অতৈ স্পোর্টসকী মখল কয়াগী মশান্নদা লমজেলদগী হেন্না ৱাবা অতৈ অমা লৈরমগনি হায়বা থাজবা ৱাৎলবনি।

অঙাংশিংনা নাকথেংদা য়ূমথোঙ খুদিং চঙদুনা য়াম্বা য়ামদবা শেনখায় পীরকপদা অঙাংশিংগী হরাওজবগী অয়ৌবা ওইদেদা হায়রুবা য়াবা নত্তে। শেনখাইদুনা পেসকারি, নোংমৈ , মখল কয়াগী শান্নপোৎ লৈদুনা শান্নরি। মসিমক চাংচৎ ওইনা হায়বা তারবদি চাম্মগী মনুংদা মরিফুগী মথক্তা শীজিন্নবনা মশীং অয়াম্বনি। অশিংবা অঙাং খরনা মশা মশাগী শেলফুদা থাদবা মসিসু অদুমক য়াওরিবা পোৎনি। মসিগী ৱাখলসি মরু ওইনা মমা-মপা ওইরিবা অনীনা ৱাখল তানা মাঙজৌননা মচাশিংদুদা নিংথিজনা হায়হৌবদা/তাকপীহৌবদা কান্নবা ফংদনীংঙাই লৈরোই। য়াম্না ঙকপা অমনা পোক্লফম লমদম লমনুংশি মসিদা ইরাং ইতৎ তত্তনা থোক্লিবসি নোংমৈ পায়দুনা শেল মুনখ্রে, হোংবা চাওবগী য়ূমগী থোঙ্গালদা চাইনানা শাবা হেন্দ গ্রেনেদ থল্লল্লে, মসিনা অনৌবা হায়বদু ওইদ্রবনি। গ্রাসরুটতগী নোংমৈ পায়বগী ৱাখল লৈহনবনা হয়েং চাওবা কাংদোং ফারক্লবা মতমদা নোংমৈ পায়নীংবগী ৱাখল অমা মংলকপদগী সেনাপতিগী পার্ট লৌরুরগা শেল ময়াম অমা ফংবা মসিমা তৌদে, য়াওদে হায়বা য়াবা নত্তে। শুমাং কুম্মৈ, দ্রামা, সিনেমা কয়াদা ঙম্নমক থেংনরবা ঙাক্তা ওইনা তৌরবনি। হন্দক য়াওশঙ মনুংদা অঙাংশিংনা পায়নরিবা টোই গন য়ামদ্রবদা লুপা চামরি/চামঙা/চাতরুক... মমল অসুকনি হায়বা খরা ৱারপ থোক্লগনি। কদায়দগী লাকপা টোই গননো? মপান্দগী লাকপা নত্তনা অতৈ করিসু লৈতে। য়োল্লিবা দুকানশিংদা ইফোং ফোংনা য়োল্লিবা মসিমা য়োলহন্দবদা কদাইদগী লৈগদৌরিবা? মসিমা ৱাখল লৈনা খন্থরগা মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টকী মীওইশিংনা ... মসিবু য়োলহন্দবদা মীওই অমত্তনা ফত্তেদা হায়রক্লরোইদবনি।

দুর্গা পুজা মনুংদা বোম্বুলা থাবা য়াদে, য়োনবা য়াদে হায়না গভর্ণমেন্টকী অথিংবা লৈনা লৈনা অনম কনবা দুকান্দারশিংনা য়োনবনা মশীং অয়াম্বনি। লমদমসিদদি তৌনু য়াদেকো হায়বা অদুমা নমদনা অদুমক তৌদৌরিবনি। ফংগদৌরিবা চৈরাক্তু ফাগি-ফরাং ওইনা লৌনবনা মশীং অয়াম্বনি। গভর্ণমেন্টনা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিংসি ঐখোয়গী য়াইফনবা ঙাক্তনি। য়াইফনবা খল্লিবা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা করিগুম্বদা খুজিন-খুনাম্থোক্তগী অশোয়বা য়াওরবদি মদুদা ফংগদৌরিবা চৈরাক্তু অপাম্বা হায়বদুদি কৈদৌনুংদা ওইররোইদবনি। মীশক অমগা মীশক অমগা হকথেংনবদা ঐখোয়না করি তৌবা তাবগে? খন্থহৌদ্রবা থাজবা য়ানা শুংশোয় শোয়দনা পোজিটিভ ওইবা তম্বা ঙম্বা নত্তে। থিংবগী থিংবা মী পুনগদবা থবক থৌরমশিংসিদি কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী টেষ্ট খরদা লাকপগা লোয়ননা অথিংবা থম্বনা খ্বাইদগী ফরবনি।

য়াওশঙ মনুংদা মৌগী শীংদা চল্লবী কয়া অমা চহী মতাংগা চপ চারবা নুপীশিংনা য়াওশঙগী নমাদা হোলি শকপা পৈশা-নুংশা পায়গদবা ইমুং খল্ল-খল্লগা হোলি ঈশৈ শকপা মসিসু কোভিদ-১৯গী লাইচৎকী মনুংদা লাকপা য়াবগী থাজবা ওইরিবনি। মী অমগা মী অমগা এস ও পি ঙাক্তবশিং অকনবা এক্সন লৌগদৌরি। শোয়দনা লৌবা ওইসনু। য়াম্না ঙকপা অমনা লুহোং খোঙদোংবা, লুহোংবা মতুংগী মঙানি চাক্কৌবা, চাকচা হৈজানবা হায়রিবা মফমশিংসিদি কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লৈতবগুম্না ওইরবনি। খ্বাইদগী লৌনগদৌরিবসি চাকচা-হৈজানবা, মঙানি চাক্কৌবা মসিদবু ওইগদবা মাল্লবনি। ফুট তরুক লাপ্পনা চাক্লুক থারবা তৌদৌরিবা মওংদু করিনো? মসিমা হান্নগুম অদুমক অহোংবা লৈতনা চৎনবী অমা ওইনা লৈরবনি। এক্সন লৌগদৌরি হায়বগী মহুত্তা থবক ওইনা খরখক্তমক পাঙথোকপদা য়াদে হায়বা লৈবদগী কিনদুনা তোক্কদৌরিবনি। মসিগী য়াইফনবা ওইদৌরিবসি কনা অমত্তগী ওইরোইদৌরিবনি ঐখোয় খুদিংগী ওইগদৌরিবনি। অনম কল্লগা মাইবী চঙবা, মাইবী শোইনৌনি হায়দুনা লাইপাউ তাজনীংবা মীওই কয়া অমসু লাকপা য়াওদনীংঙাই লৈরোই। মাইবী শোইনৌগী লাইপাউদুনা চুল্লবা, চুমই-চুমই হায়দুনা নুপী অঙাং ময়াম অমা লাক্তনীংঙাই লৈরোই। মীয়াম্না কৎলকপা শেলতনা মশীং থিবা ঙল্লোইদৌরিবনি। তৌনু ফত্তে হায়বদা থৌনা লৈবসিদি মমৈদা ফজনীংঙাইগী থবক থৌরমদি থাজবা ৱাৎলদবনি।

কোভিদ-১৯না ঙমদবা মালেমসিদা করিবু লৈরিবগে? লমদমসিগী ওইনা য়ারিবমখৈ থৌদোক ৱাথোকসিমা খরা হন্থহনবনা খ্বাইদগী অফবা ওইরগদবনি। হন্দক্কী য়াওশঙনা মনিং তৌবা কা হেন্না ফংদবগুম লুহোংবা, অশি-অনাগী থৌদোক নত্তনা অতৈদি কনাদসু চেবাউ পীরুরনু। কাউরোইদবা অমনা এস ও পি ঙাক্লা চৎপসিনা পুন্সিদা কান্নবা হায়বা অদুমা নমদনা ওইদৌরিবনি। হন্দক্কী য়াওশঙসিমদি শাবী-শানৌশিংগীদি নুংঙাইতবা হায়বদু ওইনরবনি।

অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা
খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 251/AS&SO/TBL, dt: 27-03-2021

1. Laishram Ranjit Singh S/o (L) Bira Singh of Khangabok Sorok Wangma (2) -do- Pasuram Singh S/o (L) -do- of -do- (3) -do- Joykumar Singh S/o (L) -do- of -do- (4) -do- Bishworjit Singh S/o (L) -do- of -do- ...*Applicants*

-Vs-

(Late) Pattadar, Laishram Mukta Singh S/o (L) Chaoton Singh of Khangabok. ...*Opp.*

[illegible] / **NOTICE**
Dt. 06/04/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩- খাঙবোক পাট্টা নং ২৫৯৫ (অনৌবা), দাগ নং ৪২২৫, এরিয়া ০.২৮৩৭ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নামা পাল্লিবা নং ১শুবা কো-পাট্টাদার লাইশ্রম মুক্তা সিংহ মৃতু ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি (এপ্লিকান্টস) মখোয় ৪ (মরি) গী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা য়েৎলবা য়াগনি। নত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/9457/07